# এস দব্লিয়ু সী খোংমননা পোইন্ট ৮৪ ফংলগা ওভরোল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ) না শীন্দুনা হৌখিবা জুলাই ২৫ দগী ২৯ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা গভনর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ওভরোল টিম চেম্পিয়ন এস দব্লিয়ু সী খোংমননা পোইন্ট ৮৪ ফংলগা ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী য়ুনিট ১৪ না শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপীগী মিনি, সব-জুনিয়র, কেদেট, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র হায়না খায়দোক্তুনা পাঙথোরকখিবা ১৪ শুবা গভনর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এম টি দি সীগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা থানলোন এ সীগী এম এল এ ভুনজাগিন ভালটৈনা চীফ গেষ্ট, চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কো-ওর্গনাইজিং চ্যেরমেন এম লোকেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট অমসুং ট্রেনিং এন্দ কোচিং য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর টি থৌবা মীতৈ অমদি থাংজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রিগী প্রোপ্রাইটর টিঐচ জয়কুমারনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী লোইশিনবা নুমিৎকী সব-জুনিয়র বোইজকী ফোইল ইভেন্টতা এস দব্লিয়ু সীগী ও কে দেনিসনা গোল্ড, এস দব্লিয়ু সীগী কেঐচ য়াইফবনা সিলভর অমসুং সাই আর সীগী কে অবিনাশ অমদি সী ঐচ রোনেলনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইপি ইভেন্টতা এস দব্লিয়ু সীগী এন মনিশনা গোল্ড, এস দব্লিয়ু সীগী এন বেন্সননা সিলভর অমসুং এম আই আই এসকী এ তোম্বা অমদি সাই আর সীগী কে কেননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সেবর ইভেন্টতা এস দব্লিয়ু সীগী শ্রীময়ুম তেজবন্ত শর্ম্মনা গোল্ড, কে ঐচ এস সীগী মেক্সিনা সিলভর অমসুং য়ু পি এ এগী এন দেনিসন অমদি কে ঐচ এস সীগী সত্যানন্দনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী ফোইল ইভেন্টতা সাই আর সীগী দব্লিয়ু সোনিয়ানা গোল্ড, য়ু পি এ এগী এন আশানা সিলভর অমসুং এস দব্লিয়ু সীগী ভেনলেনটাইন অমদি আর এস সীগী পি ঐচ দেবিতানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইপি ইভেন্টতা সাই আর সীগী এস নেলসিরোজনা গোল্ড, য়ু পি এ এগী এস ক্রাউনলেদিনা সিলভর অমসুং এস দব্লিয়ু সীগী মনা অমদি য়ু পি এ এগী টি ঐচ সন্ধ্যানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেবর ইভেন্টতা এস দব্লিয়ু সীগী অবিনা গোল্ড, কে ঐচ এস সীগী জেসিনা সিলভর অমসুং এস দব্লিয়ু সীগী জেসমিনা অমদি য়ু পি এ এগী এস ফিওনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

১৪ শুবা গভনর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা এস দব্লিয়ু সী খোংমননা গোল্ড ১০, সিলভর ৭, ব্রোঞ্জ ১৩ পূন্না মেদল ৩০ লৌদুনা অমদি পোইন্ট ৮৪ ফংলগা ওভরোল টিম চেম্পিয়ন, য়ু পি এ এ ক্যামগৈনা গোল্ড ৭, সিলভর ৮, ব্রোঞ্জ ১২ পূন্না মেদল ২৭ লৌদুনা অমদি পোইন্ট ৭১ ফংদুনা ওভরোল টিম রন্নর্স অপ অমসুং সাই আর সী ইম্ফালনা পোইন্ট ৪৮ ফংলগা ওভরোল টিমগী অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয় অমদি টিমশিংদা সর্টিফিকেটকা লোয়ননা ট্রোফিশিংসু খুৎশিন্নখি।

অহানবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট, ২০১৮

# হাওবিজম মিনকেতননা অহানবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ককচিং, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী মীৎয়েং মখাদা দ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন, ককচিংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা অহানবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট ২০১৮ দা ৱাই বি বি জিমগী হাওবিজম মিনকেতন মৈতৈনা অহানবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা জিমদগী শাফবা ২৫ শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অহানবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র (রিটায়র্দ আই এ এস) না চীফ গেষ্ট, টেলিকোমগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল এস ঐচ দ্বিজমনিনা স্পেসল গেষ্ট অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিক্টোরিয়া য়েঙ্খোম, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন নাওরেম সঞ্জিৎ, ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (অম্বা) গী প্রসিদেন্ট এন্দ দেবেন, কে দি বি বি এফ এগী প্রসিদেন্ট পি নিমাই (রিটায়র্দ জেদ ঈ ও) অমদি অম্বাগী লিগেল এদভাইজরসু ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট ৱাই বিমোলচান্দনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কনটেষ্ট অসিগী কেজি ৫৫ গী কেটিগরিদা কে বি বি টি সীগী এম দি বেলালনা অহানবা, কে বি বি টি সীগী রিয়াজুদ্দিননা অনীশুবা অমসুং কে বি বি টি সীগী এলাংবম জেমসব্রাউননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৬০ গী কেটিগরিদা কে বি বি টি সীগী এম সঙ্কর মরিংনা অহানবা অমসুং আস্ক জিম ককচিংগী এল টি অলিম খাননা অনীশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৬৫ গী কেটিগরিদা কে বি বি টি সীগী নেপ্রম ধনেশ্বরনা অহানবা, কে বি বি টি সীগী খুন্দোংবম রোসন মৈতৈনা অনীশুবা অমসুং কে বি বি টি সীগী এলাংবম জোন্সননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কেজি ৭০ গী কেটিগরিদা ৱাই বি বি জিমগী হাওবিজম মিনকেতন মৈতৈনা অহানবা, আস্ক জিম ককচিংগী কে এস ঐচ রোবিনচন্দ্রনা অনীশুবা অমসুং স্লোপলেন্দ জিম ক্লবকী লিকোব লাইশ্রমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেজি ৭৫ গী কেটিগরিদা গোল্ডন জিমগী খুমুকচম ৱারেননা অহানবা অমসুং গোল্ডন জিমগী খুমুকচম মেধজিৎনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

মেন ফিজিক্কী কেটিগরিদা আস্ক জিমগী ময়াংলম্বম বেঙ্কিনা অহানবা, আস্ক জিমগী কে এস ঐচ রোবিনচন্দ্রনা অনীশুবা অমসুং আস্ক জিমগী এল টি অলিম খাননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি, কনটেষ্ট অসিগী ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ৱাই বি বি জিমগী হাওবিজম মিনকেতন মৈতৈ হাওবিজম তোম্বা মৈতৈ অমসুং হাওবিজম ওংবী থোইবী লৈমগী মচানুপানি।

৫ শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট, ২০১৮

# এল গোপেশ্বরনা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট তাখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (আই ঈ দি জি দব্লিয়ু এ) না শীন্দুনা অমদি সুপর জিম খুরাইনা স্পোন্সর তৌদুনা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকাইদা লৈবা ইমা লাই খুলেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোকপা মঙাশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট ২০১৮ দা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টরগী এল গোপেশ্বরনা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট তাখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা জিমদগী শাফবা ২৭ না শরুক য়াদুনা জুনিয়র, সিনিয়র, মাষ্টর অমদি ফিটনেস হায়না খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা মঙাশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং কনটেষ্ট ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর খুরাইজম রতননা চীফ গেষ্ট, ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসন (আই বি বি এফ) গী একজিক্যুটিভ মেম্বর নোংমৈকাপ্পম রতননা প্রসিদেন্ট অমসুং লাইশ্রম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঙাঙোম জোন অমদি ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কনটেষ্ট অসিগী জুনিয়র কেটিগরিদা রোয়েল জিম নিঙোমথোংগী রঞ্জিৎ শৌগ্রাকপমনা অহানবা, সুপর জিমগী জোয়দেভ থোঙামনা অনীশুবা অমসুং আনন্দ ফিটনেস শওম্বুংগী হাওবম তোম্বা মৈতৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর কেটিগরিদা সুপর জিমগী এন্থোনি জৌনা অহানবা অমসুং য়ু ফিটনেস অকাম্পাৎকী নামৈরাকপম ওজিৎনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ফিটনেসকী কেটিগরিদা দ জিম ফিটনেসকী এমদি ফাজিরুল হকনা অহানবা, এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেগী লৌরেম্বম মৈরাবা মীতৈনা অনীশুবা অমসুং কে এফ সী শিংজমৈগী সোরোখাইবম গগনচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মঙাশুবা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (সিনিয়র) তা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টরগী এল গোপেশ্বরনা অহানবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট তাখি। সুপর জিমগী এন্থোনি জৌনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রন্নর্স অপ অমসুং এল কে এফকী দব্লিয়ু প্রিয়োবর্ত্তনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি।

থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবা শাফবশিংদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনাশিং খুৎশিন্নখি।

# এস য়াইফবা মৈতৈনা এন খম্বতোনবু মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী বোক্সিং এরিনাদা পাঙথোকপা নুপী অমসুং নুপাগী ওইবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র মেন কেজি ৫৭ কেটিগরিগী ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ইষ্টকী এস য়াইফবা মৈতৈনা ককচিংগী এন খম্বতোনবু মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা য়ুনিট কয়াগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা নুপী অমসুং নুপাগী ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা সব-জুনিয়র বোইজ কেজি ৩৮-৪০ ফাওবা সেমি ফাইনেল বাউটতা চুড়াচান্দপুরগী এল য়াইখোম্বনা কাংপোকপীগী টি বোরিসপু অমসুং মায়থীবা পীরল্লগা কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা বিষ্ণুপুরগী কেঐচ বিকাশনা জিরিগী এল দিলিপকুমারবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

কেজি ৪০-৪২ কেটিগরিগী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ নিলকান্তনা কাংপোকপীগী দব্লিয়ু বিদ্যানন্দবু অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা বিষ্ণুপুরগী আই মালেমঙানবনা থৌবালগী এন চিংলেনসনাবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। কেজি ৪২-৪৪ কেটিগরিগী ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিয়ু লমজিংবনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস লাম্থোই মঙাংবু মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখি।

কেজি ৪৪-৪৬ কেটিগরিগী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ককচিংগী এমদি সাকুরনা সেনাপতিগী এম খৃষ্টিনো রেনিসপু অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা চুড়াচান্দপুরগী চিংলেম্বা মোইরাংথেমনা ইম্ফাল ইষ্টকী এল রোবর্টপু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

জুনিয়র মেন কেজি ৪৮ গী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা থৌবালগী এল জুলেটনা বিষ্ণুপুরগী টিঐচ রোকিবু অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পি জেক্সননা উখ্রুলগী থানঙাসুং জিংখাইবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

কেজি ৫৪ গী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা চান্দেলগী মাংতে লোয়া সিং কোমনা চুড়াচান্দপুরগী ঐচ বিজয়বু অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল ইদিসননা বিষ্ণুপুরগী কেঐচ মালেমঙানববু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

য়ুথ মেন্স কেজি ৪৯ গী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ককচিংগী এমদি নাজিমুদ্দিননা বিষ্ণুপুরগী এল রোনাল্ডোবু অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিঐচ ননালনা তমেংলোংগী এম প্রেমচান্দবু মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি। সিনিয়র মেন্স কেজি ৪৯ গী অহানবা সেমি ফাইনেল বাউটতা কাংপোকপীগী নিনখান হুংয়োনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ ইরাবোত অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ বোনেননা উখ্রুলগী অরুংশি ঙাথিংপমবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

# তখেল্লম্বম রাজেন ৪ শুবা ক্যুরেটর্স সর্টিফিকেসন কোর্স শরুক য়ারুরে



ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ থা অসিগী ১৬ তগী ঙসি ফাওবা বেঙ্গালুরুগী নেসনল ক্রিকেট একাদেমি (এন সী এ) দা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১৪ নিগী ওইবা মরিশুবা ক্যুরেটর্স সর্টিফিকেসন কোর্স মণিপুরগী তখেল্লম্বম রাজেন শরুক য়ারুরে হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

একাদেমি অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিএসন ২৯ না শরুক য়াদুনা ক্রিকেট মশান্নগী ষ্টেদিয়মশিংদা করম্না পিটচশিং অদু শেম্বা-শাবা তৌগনি হায়বগী ট্রেনিং কোর্স অদু য়াওখিবনি।

হায়রিবা ক্যুরেটর্স সর্টিফিকেসন কোর্স অদুদা পিটচকী অকুপ্পা মরোলশিং নৈনখি। ক্রিকেট পিটচতা লৈগদবা তঙাইফদবা ফিভমশিং অমদি মদুবু মতম কুইনা শীজিন্নবা য়ানবগী মতাংদা চঙগদবা মচাকশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু সর্টিফিকেসন কোর্স অদুদা নৈনখি।

ক্রিকেট ফিল্ড অমগী খ্বাইদগী মরুওইবা পিটচ অদু শেম-শাবা মতম শাংনা শীজিন্নবা য়ানবগী ফিভমদা থম্বতা নত্তনা পিটচকী অকোয়বদা লৈরিবা ক্রিকেট ফিল্ড অমগী ফিভম শেমজিন-শাজিনবা, অৱাৎপশিং মেনশিনবা অমদি ক্রিকেট ফিল্ড অমদা লৈরিবা অনৌবা খুৎলায়শিং অদুবু শীজিন্নবগী মতাংদসু সর্টিফিকেসন কোর্স অমা য়াওরি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী ক্যুরেটর অশিস ভোমিক অমসুং সুনিল চৌহানদা নত্তনা বি সী সী আইগী চীফ ক্যুরেটর দলজিৎ সিংহগী চেকশিনবা মীৎয়েং মখাদা মরিশুবা ক্যুরেটর্স সর্টিফিকেসন কোর্স অদু পাঙথোকখি।

# ইন্টর্নেসনল অম্পায়রশিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে




থৌবাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসন অনীনা পূন্না শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস অম্পায়র্স একজামিনেসন ২০১৮ দা মায় পাক্লক্লবা থৌবালদগী অরিবম রামদেব শর্ম্মা অমসুং ইম্ফালগী হৈরাঙ্গৈইথোংদগী পেবম তোমতোম অনীবু হরাও-তয়াম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল কোলেজ রোদতা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন (টি দি টি টি এ) গী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা টি দি টি টি এগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট হেনাম গম্ভির সিংহ, ফোর্মর প্রসিদেন্টশিং অকোইজম নোরেন্দ্র সিংহ, লিশম ইবোচৌ সিংহ অমসুং প্রসিদেন্ট ডো. ওক্রম ইবোপিশক সিংহনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস অম্পায়র্স একজামিনেসন ২০১৮ দা মায় পাক্লবা অরিবম রামদেব অমদি পেবম তোমতোমদা অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা হরাও তয়াম্বা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা থৌবাল অমসুং মণিপুরগী টেবল টেন্নিস মশান্না হৌদোরকপা অমদি মশান্না অসিবু হিঙ্গৎলক্লবা হোৎনরকখিবা পুৱারীদা মখোয় অনীনা লৌরকখিবা থৌদাং কয়াবুসু ঙসিগী পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয়শিংনা শুগায়না মীয়ামদা পাউদমখি।

অহানবা দেবেশ্বরি অন্দর ১৪ সেভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ৰাই দি সী এল পুংদোংবমনা ৰাই জি সী ৰাখোংবু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ দেবেশ্বরি ফুটবোল একাদেমি (দি এফ এ) তেলৌ ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা একাদেমি অসিগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌখিবা জুলাইগী ৪ দগী হৌদুনা পাঙথোরকখিবা অহানবা দেবেশ্বরি অন্দর ১৪ সেভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমনা ৱাই জি সী ৱাখোংবু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৭ না কাঙলুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা দেবেশ্বরি অন্দর ১৪ সেভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চান্সেলর ওইরম্বতা নত্তনা খুরাই এ সীগী এক্স-এম এল এ ডো. এন জি বিজয় অমসুং মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি লম্লাইগী মেম্বর এল ইঙোচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ৱাই দি সী এল পুংদোংবম অমসুং ৱাই জি সী ৱাখোং শান্নখি। অহানবা হাফকী ৫ শুবা মিনিটতা ৱাই দি সী এলগী মঙালসনানা চনখিবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিমনা গোল ১ মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ৱাই জি সীগী শান্নরোয়শিংনা ৱাই দি সী এলগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমনা মেচ অদু মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

# এস বি এন ৱাই সী মায় পাকখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন্না শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা তারিখ ২৭ তগী হৌদুনা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ (অন্দর ১৩) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দ মেচতা এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাট মায় পাকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চৎথরকপা মেচ ওইনা ঙসি এস বি এন ৱাই সী অমদি এন বি এস পি শান্নখিবা মেচ অদু এস বি এন ৱাই সী জিরিঘাটনা এন বি এস পিবু গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখিবনি।



HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com